# মণিপুর কনগে হায়রবদি রিজনেল পার্টি মপাঙ্গল কলহনবা মতৌ তাই ঃ সমরজিৎ

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ সেক্যুলরিজমগী ৱাহন্থোক লৈত্রবা, কন্সটিট্যুসনবু থৌওইদনা অপীকপা ফুরুপশিংনা খুন্দারিবা অৱাং–নোংপোক্কী ষ্টেটশিং মরুওইনা মণিপুর কনগে হায়রবদি রিজনেল পার্টি মপাঙ্গল কলহনবা মথৌ তাই হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এনইআইদিপি) গী এক্টিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেত লিমিটেটকী মেনেজিং দাইরেক্টর নারেংবম সমরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্লিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী অনীশুবা ফেজতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা এন ই আই দি পি গী মীরেপ আর কে অনন্দগী কোঞ্জেং হজরি লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মিটিংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হায়, লমদম অসিগী মীয়াম অসি তোপ্পা মতিক ময়াই য়াওবা ইরৈচা ঙাক্তনি। করিগীদমক ষ্টেট অসিনা নেস্নেল পোলিটিকেল পার্টিগী মরুম থুপ্লগা হিংগদৌরিবনো ? ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈশু খুদিংমক ঐখোয় ইশানা সোলব তৌগদবনি। কৈদৌনুংদা নেস্নেল পার্টিগী লুচিংবশিংনা লমদম অসিগী খনবীরোই। চীন্দা নুংশিবা শাবা খক্তনি। মীরোল লোনবা পোলিটিকেল পার্টিগী মখাদা লৈরগা লোল শক–চু মান্নদবা ঐখোয়বু মতৌ করম্না নুংশিবীরক্কনি। মণিপুর অসিদি অশেংবা ষ্টেটকী মফম অসিদা মতিক ময়াই লৈরবা মী ময়াম অমা লৈরি। লমদমসিগী মীওইবগী কোক্না চলাইবা লৈঙাক লৈত্রবদি ঐখোয়গী লমদম মীপাল তাংবগী চাং নোংমা–নোংমগী হেনগৎলক্কনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পার্লিয়ামেন্ট অসি ইন্সটিট্যুসন অমনি। লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন কয়াবু শেমদোক–শেমজিন ঙম্লিবা হাউস অসিদা মতিক ময়াই লৈরবা ষ্টেট অসিবু নুংশিজবা মীওই অমা থাবা মথৌ তাই। নেস্নেল পার্টিগী মীওই থারবদি মখোয়গী নেস্নেল লিদরনা য়াদে হায়দুনা ষ্টেট অসিগী থবক অমত্তা তৌবা ঙম্লোইদৌরিবনি। হিরম ময়াম অসি কুপ্না য়েংলবা মতুংদা এন ই আই দি পি না আর কে অনন্দ বু ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা মীরেপ অমা ওইনা পুথোকপনি।

লাক্লিবা এপ্রিল ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসি মণিপুরগীদি ইলেক্সন নৎতে। লমদম অসিগী তুংগী লাইবক লেপ্লবগী তাইবঙ মপুনা লৌবা চাংয়েং অমনি। রিজনেল পার্টিগী অশেংবা পোলির্টিকেল প্লেটফোর্ম অমা শেমদুনা ষ্টেট অসিবু কলহৌদ্রবদি অরুবা ফিভম মাইয়োক্লরকনি হায়খি।

মীয়ামগী মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা এন ই আই দি পি অমদি সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী এদভাইজর ধনাবির লাইশ্রমনা হায়, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা তৌরিবা পোলিটিক্স অসিদি অশেংবা পোলিটিক্স নৎতে পোলিট্রিনি। এন ই আই দি পি গুম্বা মণিপুর য়াওনা অৱাং–নোংপোক ষ্টেটশিংগী রিজনেল পার্টি অমা থোকলক্তুনা থবক তৌবা হৌরকপসিনা ষ্টেট অসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ইন্দিয়াগী মখূৎতগী কনবা ঙমজনি। লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা রিসোর্স ময়াম লৈরি। রিসোর্স ময়াম অসি ইনিদয়ানা হুনবা হোৎনরিবনি। ঐখোয়গী রিসোর্স ময়াম অসিগী ঐখোয়গী ওইজগে হায়রবদি ষ্টেট অসিদা রিজনেল পার্টিনা মপাঙ্গল কলহনবা মথৌ তারি। রিজনেল পার্টিনা লৈঙাকপা ষ্টেট লোইনমক চাওখৎকনি। লমদম অসিগী মীয়ামসু মীকপ থোকপীদুনা রিজনেল পার্টিবু মপাঙ্গল কলহনবীয়ু। লাক্কদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী ভোট খোন্বা অমদি মীয়ামগা পুল্লগা খন্ন–নৈনবগী মতম য়াম্না ফংহৌদ্রে। অদুবু কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদদি ষ্টেট অসিদা এন ই আই দি পি না লৈঙাক পায়গনি। মতমদুদা মীয়াম্না অশেংবা লৈঙাক অদুগী মহাও ফংগনি। দিল্লিনা ফাওবা ষ্টেট অসিদগী শেল নিহনবা ঙমগনি। মীয়াম্না এন ই আই দি পিবু অমুক্তং থাজবীদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবদা শরুক য়াহনবীয়ু। থাজবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী মীটিংদুদা জি পি ৱুমেন্স কোলেজকী ভাইস প্রিন্সিপাল ওইরম্বা হুইদ্রোম রাদাকান্তসু শরুক য়াদুনা ৱাফম কয়াম ফোঙদোকখি।

# সি এ বিলনা মণিপুরগী আইদেন্টিটিদা শোকহনগদবা ৱাফম কৈদৌঙেদা য়াওহল্লোই ঃ নলিন কোহলি

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৪(এস এন এস) ঃ বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা পুথোক্কদৌরিবা সি এ বিল অসিনা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী কলচরেল আইদেন্টিটিদা শোকহনগদবা ৱাফম কৈদৌঙেদা য়াওহল্লোই। মসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা শোকহনগদবা করিসু লৈতে হায়না বি জে পিগী নেসনেল স্পোক্সপার্সন নালিন কোহলিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পিগী ওফিসতা পাঙথোকপা লিল্লোং ইম্ফাল ৱেষ্টগী ৱার্দ মেম্বর ৫ ওকপগী থৌরম শরুক য়াবা লাকখিবা নালিন কোহলিদা পাউমী খরনা হংবা ৱাহংগী পাউ–খুমদা মহাক্না হায়, সি এ বিলগী মতাং অসিদা মীয়ামদা চমম্নবা ৱাফম খরা লৈরি। হান্নগী বিল অদু মুখ–ৎখ্রবনি লোয়ননা মথংগী বিল অমা লাকপা মতমদা ৱাফমশিং মীয়ামগী ঙাকশেলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অদু হাপচিনগদৌরিবনি হায়খি। বিল অদু উরগা শোয়দনা খঙগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, বিল অসিনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী আইদেন্টিটিদা কৈদৌঙেদা শোকহনগদবা লৈতে। কুম ২০১৯গী লোক সভা মীখল অসি নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মখাদা থেংনরিবনি। লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংনা মপুং ওইবা এজেন্দা ওইরগা মীখল থেংনগদৌরিবনি।

হৌখিবা চহী ৫ দা তৌখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী য়াইফ থৌরাংগী মখাদা পায়খৎলিবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, বিল অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মীপাইনিঙাই লৈতে হায়খি।

অমরোমদা ঙসি বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা লিল্লোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ মেম্বর মঙা এল বিশ্বনাঠ সিংহ, দব্লিউ গুন সিংহ, এল ইবোমচা সিংহ , এল শান্তিকুমার সিংহ অমসুং এস শান্তিবলা দেবীনা বি জে পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা নলিন কোহলিনা মখা তানা হায়, নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিগী মপুং ওইবা এজেন্দা অসি চাউখৎ থৌরাংনা ওইরি হায়খি।

মণিপুরগী এম পি অনী অসিনা ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিগী শম্নহন্নবগী লম্বী অমা ওইরিবনি। মীয়াম পুন্না থোং মান্ননা চাউখৎপা অসিনা বি জে পিগী মীখলগী এজেন্দা অমা ওইরিবনি।

দিল্লিদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরে মফম অসিদসু পার্টিগী লৈঙাক লৈরে। বি জে পিদা অতোপ্পা পার্টিদগী মীওইশিং য়াওশিল্লকপা অসিনা বি জে পিগী মপাঙ্গল হেনগৎহনগনি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসিদা মোদি অমসুং মহাক্কী লৈঙাক্না থোইদোক হেন্দোক্না মীনুংশিগা লোয়ননা য়েংলিবনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী হব অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবনি।

হান্না লুক ইষ্ট পোলিসি হায়রম্বদগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি ওন্থোক্তুনা চঙশিল্লক্লিবনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেট অসি লৈবাক অসিগী ইকোনোমী ফগৎহন্নবগী য়াম্না মরুওইবা লমদম অমা ওইরিবনি।

খা অমসুং খা নোংপোক এসিয়া লৈবাকশিংগা শম্নরিবা ষ্টেট অমা মণিপুরনা ওইরি। রোদ, হায়ৱেজ, এয়ারপোর্ট, আই টি য়াওনা হিরম কয়াদা মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনগনি।

নরেন্দ্র মোদিগী মপাঙ্গল কলহন্নবা ইন্নর অমসুং আউটর সিট অসি পীবিবা তঙাইফদে। মরম অসিনা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

এপ্রিল ১৮ দা মীখল নুমিত্তা অয়ুক অঙনবদা হৌগৎলগা থম্বাল লাইদা কৎপীয়ু । মীয়াম্না মপুং ফানা বি জে পিদা শৌগৎপীদুনা লৈঙাক অসি অমুক হন্না লাকহনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

# বি জে পিনা কোংগ্রেস মূথৎপা কৈদৌঙেদা ...

*লমায় ১গী মখা* পুনবা হোৎনদুনা লৈরি। মসিমক্না মীয়াম্না লৈঙাক অসিবু পান্নরক্তবনি।

মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদগী অওনবা অহোংবা অমা লাকহনবা পাম্লে লোয়ননা অহোংবা অদুগীদমক চঙশিনবসু হৌরক্লে।

লাক্লিবা ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিদি কোংগ্রেস পার্টি অমসুং বি জে পিগী মরক্তা চত্থবা লান নত্তে। মসিদি মীয়াম অমসুং বি জে পিগী মরক্তা শোক্লবা লাননি। মীয়াম অসিদা কোংগ্রেস পার্টি য়াওরিবনি। কোংগ্রেস পার্টিদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নরি হায়খি।

বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা ওটোনোমস ইন্সটিট্যুসন কয়া, ইনভেষ্টিগেটিং বোদি কয়া অসিবু মখোয়গী অপাম্বদা পুরগা চৎনবা হোৎনরি হায়না মরাল শিখি। লৈঙাক অসিনা চত্থরিবা অশোয়বা অরানবা কয়া থিন্দুনা তাক্লগা চুমথোক্লবা তাক্লবা মীওইশিং অদুবুনা ফারগা জেলদা থমজিল্লি।

বি জে পিনা কুম ২০১৪গী লোক সভা মীখল মমাংদা শকখিবা ৱাশক অমত্তা থবক ওইনা ওন্থোক্তনা লৈরি। শেঙ্গা থুমজা মুখৎপা, পোৎচৈ মমল হেনগৎপা, ব্লেক মনি ইন্দিয়াদা পুরক্লগা মীয়ামদা লুপা লাক্ষ ১৫ একাউন্টতা হাপ্পগী ৱাফম ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি।

ব্লেক মনি থিবগী মীংদা মীচম মীয়ামদা ওৎ নৈবগী থবক চত্থ–রি। মীয়ামগী শেনগাউ মৎলি। ব্লেক মনি চিংথোক্লবা হোৎনবগী মীংদা দিমোনিতাইজেসন তৌবনি হায়না লাওরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্বু মশাগী শেনফম নিংতম্না শিজিন্নবা য়াহন্দ্র হায়না গাইখাঙমনা বি জে পিবু মরাল শিখি।

ৱাথোক ওইরিবা সি এ বিল অসি লৈবাক অসিদা চৎনহন্দনবা করম্বা পার্টিদা ভোট পীগনি হায়বদু মীয়াম্না ময়েক শেঙনা খনবা তঙাইফদে। মীয়াম্বু মীনম্বা, ওইদা পাদবা থবক তৌবা পার্টি অসি মীয়াম্না মতিক চানা তাকপী তিকপীবা মতম ওইরে হায়না গাইখাঙমনা মখা তাখি।

কোংগ্রেসনা চহী ১৫ দা পায়খৎলম্বা শেমগৎ শাগৎপগী থবক কয়া ঙসি চপ লেপ্তুনা লৈরি। এন বিরেন লৈঙাক অসিগী মতমদা মসিমা তৌখ্রে হায়বা য়াবা খুৎ থিন্দুনা তাকপা য়াবা থবক অমত্তা লৈখিদ্রি হায়খি।

মীফম অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সি এল পি লুচিংবা ও ইবোবিনা হায়, হৌজিক ফোঙ ফোঙ শারিবা ইশু অমা ওইরিবা সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি শোয়দনা পাস তৌগনি হায়না বি জে পিনা ফোঙনা লাওরিবা অসি খুদোংথিনিঙাইনি।

বি জে পিনা সি এ বিলদা হিন্দু, সিখ, খৃষ্টান, পার্সি, বুদ্ধিষ্ট, জৈননচিংবা মমিং পনলবসু অকক্লনা হিন্দুশিংদা তার্গেট তৌরগা চঙশিনবনি। মখোয়না ইন্দিয়াবু ৱান নেসন ৱান রিলিজন ওন্থোক্লবা হোৎনবা অমসুং য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ ওফ লো চৎনগনি হায়রক্লবদি ইন্দিয়া অসি তুংলমচত্তা করি লাক্কনি হায়খি।

হন্দক্কী মীখল অসি য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। ইন্দিয়াদা অচৌবা সেক্যুলার ওইবা লাইনিং লাইশোলদা মীচং মীখাই নায়দবা কন্সটিট্যুসন অসিবু মুখখিবা য়াবগী ফিভম অমা লাকপা অসিদগী কন্নবা কোংগ্রেসনা চঙশিল্লকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নরেন্দ্র মোদিগী চহী মঙাগী এচিভমেন্ট হায়রগদি জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধী অসি গুজরাটতা পোকপনি। আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া সর্দার ভল্লভাই পটেল অসিসু গুজরাটতা পোকপনি।

মহাক্না হোম মিনিষ্টর অমা ওইবা মতমদা ইন্দিয়াদা নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা কয়া পুনশিনখিবনি। সর্দার ভল্লভাই পটেলগা মহাত্মা গান্ধীগা লম্বা তৌনবা য়াবা নত্তে। অদুবু লুপা ক্রোর লিশিং ৩৫০০ রোম থাদরগা মালেমদা খ্বাইদগী ৱাংবা সর্দার ভল্লভাই পটেলগী মিতম অমা শারি। মালেমগী লৈবাকশিংনা ইন্দিয়া অসি শেল য়াম্না লৈরবা মাল্লি হায়না লৌদুনা ইন্দিয়াদা শেলগী মতেং পাঙবগী মথৌ তাদ্রে হায়না মত পীনবা য়াওরিবনি।

মুর্ত্তি অমা শাবদা থাদখিবা য়াল্লবা শেনফম অদুনা ইন্দিয়াগী খরা শোত্থনা লৈরিবা মফমশিংদা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগুম্বা অমা শারগা সর্দার ভল্লভাই পটেলগী মিং থোনলম্লবদি ইন্দিয়াগী ইকোনোমিদা চাউনা কান্নবা পীরমগনি হায়না মত পীনরিবনি হায়খি।

ইন্দিয়াদ লৈমিন্নরিবা ঐখোয় ময়াম নুংশিনননা লৈমিন্নরিবা থুগায়নবা হোৎনরিবা অসি য়েংলগা কনাদা ভোট পীগদগে হায়বদু খনবীরো। মখোয় অসি ইন্দিয়াদগী অমসুং মণিপুরদগী মরু ফংনা মূখৎখিদবা তারবদি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অসি শোয়দনা মাঙখিবা তারে হায়খি।

থৌরম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এশিং অমসুং মীরেপ ওইরিবা ও নবকিশোরনা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

# ইন্নরগীনা কমদৌবা: আউট্টরগীদি ঈ ভি এম ...

*লমায় ১গী মখা* মণিপুরগী সিট অনীগী মীহুৎসু খঙবা ঙম্লগনি। অদুনা থা অমরোম অসিদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা অৱাই–অখুম তৌনবদি অদুম্মক তাখিগদৌরি।

মমাঙগী কুমজা ২০০৪,২০০৯ অমসুং ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা ইলেক্সন্দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা মকোক–মথং তাখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা স্পোন্সর তৌখিবা কেন্দিদেটশিংনা ফঙনখিবা ভোট মশীং নৈনরুরবদি পার্টিশিংগী ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েং অমদি কেন্দিদেটশিংগী মতিক–মগুণদা ভোটরশিংনা খরা হেন্না মীৎয়েং থম্বগুম্না উই। তৌবগীদি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদদি মীচং খোন্বা হৈবা মশীং য়াম্বনা শৌগৎপা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইনা লৌনরি। মসিমক্না অপীকপা ষ্টেটশিংগীদি লোক সভা ইলেক্সন অসি খরা য়াংতক্না লৌনবসু য়াওদবদি নত্তে। ইলেক্তেদ মেম্বর ৫৪৩ লৈবা লোক সভাদা ঐখোয়গী অনীখক ফম্লবদুনা করি তৌবা ঙমগদৌরিবনো হায়নবসিনা খরা য়াংতক লৌনবসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু পার্টি হায়বা অমা লৈরিবনিনা পার্টি অদুনা মেম্বর অদুগী পাঙ্গল পীরিবনি। মদু নীংথিনা শীজিন্নবা,মশক থোকপা করিগুম্বা খরদি মীয়াম্না খঙনা তৌবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিদি তঙাই ফদে। মমাঙ চহীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থোকখিবা ৱাথোক অদুগী মতাংদা লোক সভাদা মণিপুরগী মেম্বর অমনা পুথোকখিবা মদুদা কোংগ্রেসকী অতে মেম্বরশিংনা ঙাক্লে পীখিবা,অদুগা রাজ্য সভাদনা সি পি আই লুচিংবা দি রাজানা ইশু অদুগী মতাংদা পুথোকখিবা নীংশিংবা য়াই। অসুম্না অমনা অমগী মতেং লৌনদুনা পার্লিয়ামেন্টতা ঐখোয়গী ইশু কয়া পুথোক্লবা হোৎনবগী শক্তি লৈবা হায়বসিসু মরু ওইরি।

লমদম অসিগী রাজনিটি লুচিংবা লৈখিদ্রবা ইরেংবম তোম্পোক সিংহ(শিংজমৈ)না রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিঙৈদা মহাক্ন তৌবা ঙমদবা কয়া অদু অতোপ্পা হাউসকী সেনিয়ার মেম্বরশিংদা নীংথিনা খঙহল্লগা মখোয়না ইশু অমা ওইনা পুথোকহনবা মদুদা শৌগৎপা য়াম্না দরকার ওই হায়রমখি। উপায় অসিমক মহাক্ন মণিপুরী লোলবু ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নখি হায়না পাউদম্লমখি। অসিগুম্বা পোলিটিকেল আর্ট হৌজিক্কী মতমদা শীজিন্নবা ঙম্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে হায়না লৌই।

হৌজিক্তি ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা তোঙান–তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিনা মখোয়–মখোয়গী ৱাশক–মেনিফেষ্টো পুথোক্লখ্রে। লোয়ননা মীয়াম্না নৈনবসু হৌনরক্লে। মতাংস্বাইদা পলহৌদবা য়াদবা অমদি নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ৱাফম অসিনি। মমাঙগী ১৬শুবা লোক সভা ইলেক্সনদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা সেন্টরদা সরকার হেক পায়বগা য়ুনিভর্সিটি অসি লীংনবা এন দি এ সরকারগী অহানবা বজেৎতা লুপা ক্রোর ১০০ হাপখি।

অসিগুম্বা মখলগী য়ুনিভর্সিটি অসি লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবনি। মসিমক বি জে পি অমসুং এন দি এ সরকারগীদি অচৌবা এচিভমেন্ট অমনি হায়না লৌই। অদুবু চহী ৫ মপুং ফারক্কদৌরে য়ুনিভর্সিটি অসি মশক থোক্ন উবদি ফঙদ্রি। অমরোমদা,হৌজিক ফাওবদা চত্থরিবা ইলেক্সন কেম্পেইন অমদি বি জে পিগী মেনিফেষ্টোদা ৱাফম অসি লোৎশিন্দুনা থম্বদৌনা তৌরি। মণিপুর ষ্টেটতা বি জে পিগী খুদোলনি হায়নখিবা য়ুনিভর্সিটি অসি নুংশাগী মৈশাদা লেননা তুম্বগুম্না তুমখিগদৌরব্রা, হিংশাবীগী ৱাশক তাগদৌরিব্রা হায়বসি হৌজিক্তি মীয়াম্না হংনরক্লে। মসিগী পাউখুমদি কনানা পীগনি।

লৈবাক লাঙহনবা,মীয়াম অৱাবা তাহনবা এজেন্দা নৎত্রগা ৱাখল্লোন অমত্তা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি লুচিংবশিংদা লৈরম্লোই য়াওরম্লোই। লৈবাক্কী মীয়ামগী য়াইফনবা,চাউ–খৎনবা তোঙান–তোঙানবা থৌশিল কয়া পুথোকখি। মদু থবক্তা উৎনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। মসিদা অপেন–পেন্দ শুক্লে লৈহল্লোই,অশোয়–অঙাম য়াওহল্লোই হেক্তা হায়বদি চুমলোই নাপল ওইগনি। থবক তৌদবা মীগী অরানবা পুথোকপা ঙম্লোই, থবক তৌবা মীগীদি অশোয়বা–অরানবা খরদি অদুমক লৈগনি থবকসু তৌবা মীৱাসু তাবা,লালূপসু কাবা চৈসু চাবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। ঐনা তৌরিবসি কনানসু থবক তৌরমদে হায়বা ৱাফম ইলেক্সন কেম্পেইন অসিদা মীয়াম্না তান্নরি। সিটিজেন্সিপ(এমেন্দমেন্ট)বিলগী মতাং দসু পঙাং ঙাংনরি। অৱাং নোংপোক লমদম মণিপুর য়াওনা বিল অসি নৈনবা লেপত্রি। অদুবু স্বাইগী লুচিংবা শাবা খরনা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন য়ান্নরগা বিল অদু লোক সভাদা পাস তৌখিবনি। অদুগা বি জে পিদা তাইনরি হায়বা ৱাফম য়াম্না খঙনা মেডিয়াদা ফোঙদোক্নখিবা থেংনে–খ্র। এমেন্দমেন্ট বিলনি,করম্না লোক সভাদা পাস তৌখি,করম্না রাজ্য সভাদা পুথোকখিদবনো হায়বদু ইখঙ খঙনরিবা অসিদা অমুক অহে –অপা শাদুনা পঙাং ঙাংবসিদি মীয়াম্না তানিংলোই,অসিগুম্বসি তৌদবনা ফগনি। অহে–অপা শাব্রা হায়ববু য়োং মমৈ চপ্পগী ফিভম অদু থোক্কনি হায়নবসু য়াওনরক্লে।

# অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিং মীপাইনরে ...

*লমায় ১গী মখা* চীং–তম উন্নবা য়াদনা লৈরম্বা অদু অমত্তা ওইনা নুংশিবা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউ লাউখি। মসিনা চীং অমসুং তমগী মরী ফগৎলবা মতুং ষ্টেট অসিগী মীয়াম ইং–তপ্না লৈবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো হায়বসি নৈনবা হৌরকখি। মদুদগী মীয়ামগী নুমিৎ হায়বা থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়ামগা হকথেংননা উন্নদুনা থম্মোয়গী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবা হৌরকখি। অসিগুম্বা মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফনা থম্বা মখলগী লৈঙাক্লোন অসিনি বি জে পিনা মীয়ামদা পীবা পাম্লিবসি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ষ্টেট অসিদা অমদি সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী অৱা–অনা তারবা লায়েং শেল লৈত্রবা ইমুংশিংদা লাক্ষ অনীগী শেনফম কভর তৌবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ কার্ড পীদুনা অমদি লাক্ষ মঙাগী শেনফম কভর তৌবা প্রাইম মিনিষ্টরগী আয়ুসমান ভারতকী মখাদা খুদোংচাবা পীদুনা মখোয়বু মোমোন নোকহল্লি। লোয়ননা নুপী ওইবীশিংনা থবক ৱানা শুরুরগা মৈখুনা চাক থোংবগী অৱাবা মায়োক্লবা অমদি মশিনা থোকহনবা লায়নাশিং ঙসিদি বি জে পি লৈঙাক অসিনা ইমুং খুদিংদা উজ্জ্বলা স্কিমগী মখাদা চাকথোং গ্যাস ফঙহন্দুনা অৱাবশিং অসি কোকহল্লি। মীয়াম্না লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমদা চৎতুনা বার্ঠ সার্টিফিকেট,হেল্ঠ কার্ড,গ্যাস কনেক্সননচিংবা ফঙনবা তান্নবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরম্মী। ঙসিদি লৈঙাক অসিনা গো টু ভিলেজ মিসনগী মখাদা কোম্থোঙ–কোম্থোঙদা লাক্লগা খুদোং চাবশিং ফঙহল্লি।

লৈঙাক অমা হায়বসি মীয়ামগীনি অমসুং মীয়াম্বু নুংঙাইহনবনি হায়বসিগী ৱাখল্লোন্দা বি জে পি লৈঙাক্না ষ্টেট অসিদা চহী অনীসিদা ঙম্লিবমখৈ হোৎনরি। মসিদা ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক ইন্দিয়াগী সিটিজেন্নি খন্দুনা মীপুম খুদিংমকপু ঙাক–শেনবনা ঐখোয়গী ইথৌ ওইদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা লৈঙাক অসি মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু। হন্দক্কী মীখল অসিদসু হৌজিক–হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোডি অমুক হন্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিগনি। মহাক্না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিদা মখা তানা অহোংবা পুরকপা ঙম্নবা হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্না বি জে পিবু শৌগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন কেম্পেইন অদুদা শরুক য়াখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ডা আর কে রঞ্জন্না হায়–খ,সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহী মঙা অসিদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার স্কিম ১৩০ হৌদোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা পীরি। মীয়াম্নসু অসিগুম্বা খুদোংচাবশিং অসি মখা তানা ফঙননবা লৈঙাক অসিবু পাম্নরি। কোংগ্রেসনা হায়রিবা স্কিম ১৩০ অসি কদাইদগী শেলনা অমদি মতৌ করম্না হৌদোক্লিবনো হায়বসি ৱাহং ওইনা হংলি। মসিগী চপ–চাবা পাউখুম বি জে পিদা লৈ।

# সি এ বি পাস তৌখ্রবদি ঐখোয় মুত্থৎখিবা ...

ঙরাংগী মখা...

আর্মি এক্ট অসি শীজিনরবসু,মখোয়না ঐখোয়বু পুংমুৎ হেক মুৎথ–ৎপদি ঙমদ্রে। পুৱারীনা মসিগী লেংদ্রবা খুদম–চাংদম ওইরি।

হৌজিক নীংতম ঈহৌ লৈরি হায়নসু,হ্যুমেন রাইটকি ঈহৌ অসি মলেমগী থাক্তা মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইনা লৌবনিনা ঐখোয়বু গ্যাস চেম্বরদা থমজিন্দুনা তুম্না হাৎপা য়াবা অদুগুম্বা মতমদি নৎত্রে। অদুবু মুখৎতবদি য়াদে খনবনীনা অতোপ্পা পান্বেশিং শিজিন্নদুনা ক্লচরেল এসিমিলেসনগী থৌওং চত্থদুনা ঐখোয়গী শক্তম মুত্থৎনবা হন্না–হন্না কয়ারক হোৎরকখ্রে। পান্বে অসি মায় ইপাক পাক্তবদি নৎতে, অদুমকপু মসিনা য়েল্হৌমীশিং পুংতুম–তুম্না মুৎলো হায়বদি য়াদ্রে। মৈতৈগী রি–ভিভাইলিষ্ট মুভমেন্ট পীরাই ঙাক্তুনা থমখ্রে। ‘ফাইনেল সোলুসন টু এন ই ক্লেসন’’ হায়বদি,ঐখোয়বু মুখ–ৎকে হায়রবদি মীতোপকী ঈচাও থোক–হন্দুনা মসাগী মরমদমদা য়েল্হৌমীশিংবু মাইনোরিটি তাহনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী থুবা অমদি মপাঙ্গল লৈবা পান্বে ওইনা ইন্দিয়ানা লৌই। মসিগীদমক মখোয়না য়াম্না কাংলোন নায়বা মওংদা মপান্দগী মী পুশিল্লক্লবা (পোপুলেসন ইমপোরট) হৌনৈ। মসি হুরান লান্নদা তৌগদবসু নৎতে। বিল পাস তৌদুনা সিটিজনসিপ পীবগী মওং শেমদোক্তুনা লোনা য়াবা মওংদা তৌগদৌরিবনি। ৱেজ সিটিজনসিপ লোগুম সিটিজনসিপ অসি হীন্দুখক্তদা পীদুনা এন ই দা হীন্দুশিং ইন্দিয়াগা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী,হায়বদি বংলাদেশ, পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানদগী পুশিল্লক্লবা হোৎনরি। মসি লোনা য়াবা মওংদা তৌরিবনি। সি এ বি পাস তৌখ্রবদি ঐখোয়সি, ঐখোয় ইশাগী ইরৈবাক্তগী কাঙ্খুল মুত্থৎখিবা হায়বসি লোনা অয়াবা পীরবা ৱাফ ওইরগদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়বু লোনা য়াবা মওংদা মুত্থৎপা হায়বসি সি এ বি পাস তৌবনা অদুম্মক ঙমহল্লগনি। জর্মনগী নাজিনা জিয়ু মুত্থৎপা মথং মথং...

# ফয়ার ষ্টেসনশিং হাংদোক্লবসু মথৌ...

*লমায় ১গী মখা* মৈহৌ লাংপোক থোকপা, মহৌশাগী ওইবা অচৌবা থৌদোক ৱাথোক থোকপা মতমদা দিপার্টমেন্ট অসিবু নীংশিবিরি।

দিপার্টমেন্ট অসিদা মেনপৱার, খূৎশু খূৎলায়নচিংবদা অৱাৎপা কয়া লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা ফয়ার সর্ভিসশিং অসি য়ৌশিনবা ঙমদনা লৈরি। হৌখিবা চহী কয়াদা মণিপুরদা ফয়ার সর্ভিস ষ্টেসন কয়া হাংদোক্তুনা থমখ্রে। অদুবু মখোয়শিং অদু মথৌ তৌহনবা ঙমদনা লৈরি।

ষ্টেট অসিগী সব দিভিজন খুদিংমক্তা ফয়ার সব ষ্টেসন অমমম থম্নবা অমসুং ষ্টেট হেদ ক্বার্টরদা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মনুং হজ্জিনবা মফমশিং অসিদা য়ৌশিনহনবা তঙাইফদে। অসিগুম্বা মনুং হজ্জিনবা মফমদা মৈহৌ লাংপোক থোকপদা ইম্ফালদগী চৎপগী মহুত্তা মনাক নকপদগী চঙশিনবনা খুদোংচাগনি হায়খি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী প্রোজেক্ট শেমদুনা ফয়ার সর্ভিস দিপার্টমেন্ট অসি হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মতেং পাঙবীদুনা অহেনবা ফায়র সর্ভিস হাংদোকপীনবা তকশিনলি।

লৈরিবা ষ্টেটগী অকক্লবা রিসোর্ছ অসিনা লৈরিবা ফয়ার সর্ভিসশিং অসি মতেং পাঙবদা অৱাবা লৈরি। ষ্টেসনশিং অসিদা তঙাইফদবা মচাকশিংদি য়াম্না য়াম্মী হায়খি। মতমগা চুন্নবা খূৎলায়শিং থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

মণিপুরদা ইম্ফাল এরিয়াদা মীকুংবগী চাং য়াম্না হেনগৎলে,করিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপা মতমদা অশোক অপন, অশি অনা নংবগী চাং য়াম্না ৱাংগনি হায়খি। লাক্কদৌরিবা মতমদা ফয়ার সর্ভিসকী তঙাইফদবশিং অদু মেনশিনবা ঙমগনি হায়খি।

ফয়ার সর্ভিসদা ভেকেন্সি কয়া মরুম লৈরিবা অসি মেনশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। দিপার্টমেন্ট অসিদা লৈরিবা পোর্সোনেলশিং অসি হেন্না মপুং ফাবা ট্রেনিং পীবগী তঙাইফদবা লৈ। নাগপুরদা চৎলগা ট্রেনিং তৌবগী মহুত্তা মফম অসিদা লমদম অদুদগী ট্রেনরশিং কৌরগা ট্রেনিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মদু ওইবা মতমদা মীপুম খুদিংমক ট্রেনিং তৌবা ফংবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা দিভিজনেল ওফিসার মণিপুর ফয়ার সর্ভিস এল নবচন্দ্রনা হায়, ফয়ার প্রিভেন্সন ইজ বেটর দেন ফয়ার ফাইটিং হায়বা ঠিমদা পাঙথোকপা থৌরম অসি চয়োল অমা চুপ্না চত্থগদবনি।

ফয়ার সর্ভিস নুমিৎ অসি মপুং ওইনা কুম ১৯৪৪ গী এপ্রিল ১৪ দা ভিক্টোরিয়া দোক হায়না খঙনবা মুম্বাইগী হিথাংফম অমদা পোক–খায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা জহাজ অমদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদগী মৈ অদু মুত্থ–ৎনবা হোৎনবদা ওফিসার অমসুং ফয়ারমেন ৬৬ লৈখিদবা থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

পালন থৌরম অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লনথুম কন্নবগীদমক হোৎনবদা থৱায় কত্থোকখিবা ওফিসার অমসুং ফয়ারমেনশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফয়ার ষ্টেসন অমসুং সব ষ্টেসন পুন্না ১৭ লৈরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইনা সেঙ্কসন পোষ্ট ৫৩৩ গী মনুংদা মীওই ৩৫৮ না হৌজিক হৌজিক মথৌ তৌরি। পোষ্ট ১৭৫ হাংদুনা লৈরি। লোয়ননা মসিগী মনুংদা পোষ্ট ১২২ দাইরেক্ট রিক্রুইটমেন্টকীদমক প্রোসেস তৌদুনা লৈরি হায়খি।

চয়োল পালন অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কুল,কলেজশিং, মীয়াম তিনবা মফমশিং, অচৌবা হোটেলনচিংবা, অমসুং মহৈলোইশঙশিংদা মৈহৌ লাংপোক্তগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা খঙহন্নবগী থৌরাং পাঙথোক্কনি হায়খি।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা মণিপুর ফয়ার সর্ভিসগী মীওইশিংগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ফয়ার ফাইটিং অমসুং ৱাটর দিসপ্লেগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

## ৱাটর ফেষ্টিভেল হৌখ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল ১৪ঃ ম্যান্মারগী অনৌবা চহী হৌবগা লোয়ননা থিংয়ান হায়নসু ম্যান্মার লোন্দা কৌনরিবা অচৌবা কুম্মৈ ৱাটর ফেষ্টিভেল ঙসি ইন্দো ম্যান্মার বোদর মোরেগা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারগী টমু টাউন্দা লৈরিবা কৈথেলদা ষ্টেজ অচৌবা শাদুনা ঈশৈ জগোয়গা লোয়ননা হৌদোকখ্রে।

কুম্মৈ অসিবু শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী গারী মচা টু হ্বিল্লরনচিংবা পুরক্লদুনা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা ম্যান্মারগী ইমরগ্রেসনগী পার্মিসন চে চাং ক্লতুনা টমু টৌউন অকোয়বদা গারী মচাশিং চঙহনবা য়াদুনা ৱাটর ফেষ্টিভেল অসিবু শরুক য়ারি। অমদি ওটো গারী কার য়াওনা চাকা ৪ পানবদগী হৌরগা অতে গারী হান্নদগী অথীংবা লৈবনা চঙহন্দ্রি। কুম্মৈ অসিনা ম্যান্মাররিসশিংনা য়ূম য়ূমগী থোঙ্গালশিংদা অফবা অরুবা ঈশিং শিজিন্নদুনা লম্বীদা লাকপা মীওইশিংদা চঙশিন্দুনা কুম্মৈ অসিবু মপুং ওইরি। অমরোমদা লম্বী মতায়দা ঈশৈ নোংমায় শক্তুনা শরুক য়ারিবা মীওই পুন্নমক্তা নুপী মচাশিংনা ষ্টেজ মথক্তা ঈশিং পাইপ মচা মচা পায়দুনা গোয় শারিবা মীওইশিংদা কাপশিন্দুনা শরুক য়ামিন্নখি। অমরোমদা মফম খরদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হায়দুনা পুলিস দিপার্টমেন্টনা মফম কয়াদা শেন্নবগী থবক কনখৎখ্রে।

## ই সি আইগী গাইদলাইন মতুং ...

*লমায় ১গী মখা* কেংগ্রেসতগী লাকপা য়াম্না সিরিয়স ওইবা ৱাকৎশিং অদু য়াম্না কুম্না য়াংশিল্লি। লোয়ননা ই সি আইনা ওবজার্ভরশিংদা কুপ্না য়েংশিন্নবা হায়রকপগী মতুংইন্না মখোয়না য়েংশিল্লবা মতুংদা কম্মিসন্দা থাখিগনি হায়খি।

মীখল অসিদা হেলিকোপ্টর শিজিন্নবা থৌরাং তৌরম্বা অদু হেলিকোপ্টর পীরক্তবদগী শিজিন্নখিদ্রে হায়খি। পোইগী থৌদোক অদুগী মতাংদা দি ই ওনা পুলিসতা ৱাকৎপদগী এফ আই আর অমা লৌখৎলগা থিগৎপা হৌখ্রে। পোইগী থুগায়খিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদু সি এ পি এফ সেক্সন অহুম্না ঙাক শেনবনি হায়খি।

পোল্লিং ষ্টেসন অনী অদুদা খিনবা কেমেরাশিংসু থুগায়রমখি হায়না সি ই ওনা ফোঙদোকখি। ঙসিস্ক্রুটিনি তৌরিবা অদু পুল্লপনা য়েংশিনবগী থবক চত্থগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা এদিস্নেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার টি রঞ্জিৎ সিংহ অমসুং জোইন্ট সি ই ও রমানন্দ নোংমৈকাপ্পমসু শরুক য়াখি।

## অঙাং উন্নবদা মমা লৈখিদবগী...

*লমায় ১গী মখা* থৌদোকশিংদা থোকখিদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জে এ সিনা দিমান্দ কয়া তৌদুনা ঙসি নুমীদাং চিফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পিশিনবগা লোয়ননা উন্নদুনা ৱারী শান্নরে হায়রি। ৱারী শান্নবা অদুদা জে এ সিগী মাইকৈদগী চেন্নরিবা ডোক্তর পুং ৪৮গী মনুংদা থবক্তগী থদৎকদবনি অমদি অশিবা মশা লৌখিরোই হায়বা অকনবা দিমান্দ তৌখি হায়রি। চিফ মিনিষ্টরগী মাইকৈদগীসু ইচলতোম্বীগী অশিবা মশা হয়েং রিমস হোস্পিটালদা পোষ্ট মোর্টেম তৌবগা লোয়ননা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি অমা তৌরগা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা চপ–চাবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পিরক্লে হায়রি। করিগুম্বা থাজবা অদু জে এ সিনা পিরিবা পুং ৪৮গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না জে এ সিগী মাইকৈদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

# বেঞ্জামিন মাতে কে এন ওগী ওফিসেল ...

*লমায় ১গী মখা* পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা থারকপা কমপ্লেইনশিংগী মতাংদা খন্ননবা কৌবা মীফম ওইবনা তাবদা নুংঙাইতবা,লান্না চৎখিবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তনবা রিটর্নিং ওফিসারনা কয়ারক হন্না ৱার্নিং তৌখি।

ঙসিগীস্ক্রুটিনি অদুদা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী স্ক্রুটিনি অদুদা কোংগ্রেসকী মীরেপ কে জেমসনা ওবজার্ভরশিংদা হন্দক্কী মীখল অদু ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইখিদে,পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা পোল্লিং এজেন্ট অমদি পোল্লিং পার্সোনেলশিংদা কিহল্লগা নম্ফুদা ভোট থাদখিবগা মরী লৈনবা প্রিসাইদিং ওফিসারশিংদা কমপ্লেইন তৌরবসু প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে,কমপ্লেইনসু তৌরক্তে হায়না লৈথোক্তুনা লৈ,শোমদনা খূৎলাই পায়বা এন্টি–সোসিয়েল ওইবা মীওইশিংনা কিহল্লগা নম্ফুদা ভোট থাদহল্লি হন্দক্কী মীখল অসি দেমোক্রেটিক ওইদে হনবীয়ু হায়না কমপ্লেইন তৌখি।

চাউরাক্না তোঙান–তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তৌরকপা মরুওইবা কমপ্লেইনশিংগা মরী লৈনবা এ আর ওশিংনা পাউখুম পীখি।

কেন্দিদেটশিংগী ৱাকৎ অমদি পি আর ওশিংগী পাউখুম তারবা মতুংদা ওবজার্ভরনা কেন্দিদেটশিংগী মরম চাবা ইভিদেন্স লৈবা কমপ্লেইনশিং সি ই ওগী ওফিসতা মখা তানা ভেরিফিকেসন তৌরগা রিপোল তৌগদবা অদু লাউথোক্লগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

স্ক্রুটিনি লোইরবা মতুংদা ঐখোয়গী পাউমীগা কোংগ্রেসকী মীরেপ কে জেমসকা অখন্ননা উন্নবদা মহাক্ন হায়খি, হন্দক্কী মীখল অসিদা অরানবা পান্বে শীজিন্নখি হায়না মসিগী অচুম্বা ৱায়েল অমা ফঙনবা মরী লৈনবা আর ওদা ৱাকৎপনি অদুবু মসি ফঙগনি হায়বা থাজদে,মীখল অসিনা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে।

অমরোমদা,এন পি এফকী মীরেপ লোর্হো এস ফোজে হায়খি,হন্দক্কী মীখল অসি ইরাং মচা খরা থোক্লবসু মায় পাক্ন পাঙথোকই,কনাগুম্বা কেন্দিদেট খরনা কমপ্লেইন তৌরবসু,মীখল নিয়ম চুম্না পাঙথোকই হায়নিংই। মীয়াম্না পীবা মেনদেট অদুনা এন পি এফনা শোয়দনা মায় পাক্কনি খল্লি। মীখলগী রিজল্ট মীয়াম পুন্না ঙাইমিন্নসি হায়বা ৱাফমসু থম্লকখি হায়রি।